ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯇ ꯱꯰, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯳꯷ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, ওগষ্ট ১০, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ১৩৭ শুবা মশীং

# স্পোর্টর্স য়ুনিভর্সিটিগী লম

## *লমগী মমিং পংথোন্দা থোঞ্জিনবা থিংনবা থবক পায়খৎসি*

***নেসনল*** দিমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্স (এন দি এ) গী লৈঙাক লাকখ্রবা তুংদা শান্ন-খোৎনবগী লমদা থৱায় য়াওজরিবা মণিপুরীশিংগী অমসুং লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকখিবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংগীদমক খ্বাইদগী চাউবা থবক অনীখক তৌখ্রে। থবক অনী অসি মতুং তারকপা লৈঙাক্লা পাক হেক তৌরক্কনি হায়বা থাজবা ঙমদে। মসিগী হায়রুরবদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক্লা মণিপুরবু অখন্নবা ফিদা অমা পীরগা থল্লি হায়বনি। মরু ওইবা থবক অনী অদুদি অমনা ইন্দিয়াগী মফম অমত্তদা লৈত্রিবা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি লিংখৎপা অমসুং বোক্সর এম সী মেরিকোমদা রাজ্য সভাগী এম পিগী ফম থিন্দোকখিবা অসিনি। মণিপুরগী পুৱারীদা রাজ্য সভাগী এম পি অনী লৈবা হায়বসি হন্দক্কী অসিনা অহানবা অমসুং মতুংদা অমুক থোরক্কনি হায়বা কনানসু হায়বা ঙম্লোই। অসুম্না মণিপুরগী মীয়ামগী য়েংলগা পীরকপা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাননবগী থবক থৌরমশিং পায়খৎলকপা চহী ২ মপুং ফাখ্রবা ফাওবদা মচি লেঙবা ঙমদনা লৈরিবসি লাইবক থীবনি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকীদি য়েৎনবা লৈতবা মফম অমদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাবা হায়বা ফীরেপ অসি লেঙদনা লৈ। মরু ওইনা য়াইথিবী লৌকোন্দা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাগনি হায়না তৌরম্লগা তোকখিবদুগী মরু ওইবা মরমদি লমগী চয়েৎনবননি। মণিপুর লৈঙাক্লা য়াইথিবী লৌকোনগী লম লৌশিন্দ্রিবঙৈগী মমাঙদা কৌক্রুক্কী মীয়াম্না মায়কৈ অদোমদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাবীয়ু, লম কৎচগে হায়দুনা কয়ারক হন্না আপিল তৌরকপা লৈখি। মীয়ামগী ৱাফম অদু তারবা তুংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা কৌক্রুক্তা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাননবগী চপ চাবা মফমনি হায়না লেপ্পগা লোয়ননা থবক হৌননবা ৱারেপ লৌরকখিবনি। হৌজিক্তি সেন্টরগী মায়কৈদগী য়ুনিভর্সিটি অসি শানবগী শেনফম বজেটতা হাপ্লে। থা অসিগী মনুংদা প্রাইম মিনিষ্টর লাক্কুনা উরেপ-উয়ুং তম্ননবা থৌরাং তৌবা য়ারগনি হায়বগী ৱাফম মণিপুর লৈঙাক্লা খঙহনখিবা লৈখ্রে। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু প্রাইম মিনিষ্টর লাক্লগা উরেপ-উয়ুং তম্বদা খুদোংচাননবা তোঙান-তোঙানবা হোজং কয়ামরুম শাবা হৌখ্রে। এপ্রোচ রোডসু শেমজিন-শাজিনবা লোইশিল্লক্কদৌরে। হেলিপেদ শেম্বগী থবকসু খুমাঙ চাউশিল্লে। মতম অমদা হেক্তমক উরেপ-উয়ুং তম্বা য়াবগী ফীভমদা লৈরে হায়বমক য়ারে।

শাংলবা চহী কয়া অমা সঞ্জেম খুনৌ, সঞ্জেম চিরাং অমসুং কৌক্রুক খুলগী খুঞ্জাশিংগী উয়োক ওইনা শিজিন্নদুনা লাক্লবা হরাওথেল হৌজিক্তি মহৌশাগী অচিকপা পুম্নমক তুংওইনরম্লগা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি লিংলগনি হায়বগী ফীরেপ মরী লৈনবা খূদিংমক্তা লৈরে। অকোয়বদা খুন্দারিবা খুঞ্জাশিংগী মরক্তসু স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাবা য়ারোই অমসুং পামদে হায়বনচিংবা ৱাকৎ অমত্তা লাক্ত্রি। অদুবু লাইবক থীবদি স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাদ্রিবঙৈগী মমাঙদা য়েৎনবা অমত্তা লৈরমদবা হরাওথেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাগনি হায়রকপদগী লমগী চয়েৎনবা ৱাফম নৌনা কাংথোরক্লে। থাঙ্গৈশেংনমক্কীদি হরাওথেলগী মফম অসি কুমজা ১৯২৬-২৮ হায়বদি মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিন্দ্রিবঙৈগী মমাঙদা লৈরম্বা মণিপুর দরবারগী য়াথং অমনা সেঞ্জম চিরাং, সেঞ্জম খুনৌ অমসুং কৌক্রুক্কী মীয়ামগী শিজিন্ননবা পীরম্মী। মদুগী মতুং ইন্না খুঞ্জাশিং অসিনা লমশিং অদু ঙসি ফাওবা খুল অহুমসিগীনি হায়না লৌই অমসুং শিজিন্নরগা লাকখি। অমরোমদা কুমজা ২০১৪ গী ওক্টোবর ২৭ তা মতমদুগী সাইটু গম্ফাজোলগী এস দি ও ওইরম্বা অমনা হৌজিক হৌজিক স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাগনি হায়না লাংলিবা মফম অসিগী শরুক খরা এল তাংনুৱাম হায়না মিং থোঞ্জিল্লগা সদর হিলস রোমদা পুশিল্লকখি। হান্না তম্পাক্কী মীশিংনা মফম অদুদা চেনবা সহিরোক তুরেলসু মখোয়না লৈবোন লুইপি হায়না মীং থোঞ্জিল্লকখি। মফম অদুদা খুন্দাবা কুইদ্রিবা চীংগী ফুরুপ অমগী মীওইশিংনা হৌজিক্তি লমগী মমিং থোঞ্জিল্লকপদা নত্তনা মফম অদু মখোয়গীনি হায়না দিমান্দ তৌরক্লে। মখোয়গী দিমান্দ অদু কে এস ও য়াওনা লূপ কয়ানা শৌগৎতুনা পুং ২৪ গী নেসনল হায়ৱে বন্দ ফাওবা চৎখ্রে। থা অসিগী ১১ দগী হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিনগনি হায়নসু লাউথোকখ্রে। অদুবু মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী ফ্লোরদা রেভিন্যু মিনিষ্টরনদি মফম অদু লমগী চয়েৎনবা অমত্তা লৈতে হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি মরম চাবা নৎত্রগা চাদবা হায়বদুনা লাপ্না থম্লগা শাগদৌরিবা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসি মণিপুরগীনি, মীয়ামগীনি হায়বসি চনিং তানা খন্থরগা খূদিংমক্লা মাগীনি মাগীনি হায়না ক্লেম তৌবগী চৎনবীসি থাদোকহন্নিংই। ঐখোয়গী লৈবাক হায়বসিনা মাঙদা থম্লগা ফুরুপকী নৎত্রগা কাঙলুপকী ৱাখল্লোন্দু লাপ্না চৎখ্রবা মতমদা ঐখোয় মশেল নুংশিনবা হেনগৎকনি অমসুং চাউখৎপা মণিপুর অমা ওইহনবা ঙমগনি। অদুবু ঐখোয়গী থৌমীশিংনা কনাগুম্বা খরগী প্রেসরদগীবু ওইরবসু য়েলহৌঙৈদগী মমিং অমা থোন্দুনা লৈজরবা লমগী শরুকশিংবু নৌনা মমিং পংথোন্দা থোঞ্জিনবা, য়ুম ২/৩ তারগা খুল অমা হেক্তা শেমগৎপগী মওং অসি তোক্কদবনি। হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিন্নিংই।

## *••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••*

# মীশিং হেনগৎলকপনা চাওখৎলক্লিবা টাউনশিং

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**মণিপুরগী** ইম্ফাল সহরদা মী হেন্না কুংশিল্লকপদগী চখোক চৎশিন্দা অপনবা পীবদা নত্তনা দুকানশিং, পোৎ য়োনফমশিং অমদি গাড়ী থম্ফম্নচিংবদা প্রোব্লেম ওইনরক্লিবসিনা চাওখৎপগী খোঙথাংদা অপনবা পীবগুম্না তৌরক্লি। মসিনা মীওই কয়ানা হিংননবগী অমদি হেন্না চাওখৎনবগী লম্বীদা অপনবা পীবগী খোঙথাং অমসু ওইহল্লক্লি। মণিপুরগী মহৌশাদগী খরা খরা চাওখৎতুনা লৈরল্লিবা সহর অমদি টাউনশিংদসু গাড়ী মখল কয়ানা ইন্নরকপা, কৈথেল, দুকান, ওফিসশিং হেনগৎনরকপনা লম্বীশিং মতিক চান্নরক্তবা ওইরক্লি। মোরে সহর মহৌশাদগী অদুম মী চিল্লকই, ঙসিদি থোইনদুম মী চিনবা হেল্লে। ওফিস কয়া মশীং য়াল্লকপনা দুকানশিং মশীং হেনগৎলকপনা সহর অমা ওইবগী দরকার লৈবা হেনগৎলক্লি। চুড়াচান্দপুর সহর মহৌশাগী মতৌ অদু নৎত্রে ফজনা চাওখৎলে, মীশিংসু ফজনা হেনগৎলক্লে, গাড়ীশিংনা সহর অসিদা চিক্লা চাইনবা ঙমদবমখৈ ইন্নরক্লে। মোইরাং টুরিষ্টকী মরুওইবা লমদম অমসু ওইবনিনা লম্বী থোং অমদি শেমগৎ শাগৎকদবা কয়া লৈরক্লি। নম্বোল টাউন ফাওবা ফজনা চাওখৎলবা টাউন অমা ওইরক্লে। সেনাপতি হেদ ক্বার্টর থোইদোক্লা পূক্লিং হুনা চাওখৎলবা সহর অমগুম্লক্লে। উখুল, তমেংলোং, জিরি মহৌশাগী নৎত্রে, হৌজিক ফনা ফজনা চাওখৎলক্লে অমসুং চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না শেমগৎ শাগৎকদবা কয়া লৈরক্লে। লমদম কয়া অসিদা মীগী মশীং অদুক্কী মতিক য়াল্লকপা অমদি লম অমদগী লম অমদা থুংনরকপা, চৎনরকপদগী হোটেলনচিংবা মতিক চাবা অথোইবা কয়া থম্নবা দরকার লৈরক্লে। মফম কয়া অসিদা মহৈ মমশীন হৈবা মীওই ঙম্না লৈরকপনা মফম মফমদুগী চাওখৎপগী লমজেলগী ৱাদু নত্তনা মফমশিং অদুগী দরকারগী মতুং ইন্না শেমগৎ শাগৎহন্নীংবগী মথৌ কয়া ঙসিগী লৈঙাক অসিদা অমদি লোকেলিটি অদুগী মীওইশিংগী অপাম্বা ওইরক্লে। চুম্না বিল্ডিং অমদি লম্বী থোং চাওখৎহনবতা নত্তনা মী অমা ওইনা, মহৈরোয় অমা ওইনা করম্না অচুম্বা মওংদা শেল তানবা অমদি লমচৎ শাজৎ ফজহন্নবা পুম্নমকপু এৱ্যের্নেসনচিংবা পীদুনা খুন্নাই অমদা মীওইবা মখল কয়ানা ইংনা-চিক্লা, নুংশিননা লৈমিন্ননবা শিনবদা লৈঙাক্কী ওথোরিটিগী চাওরবা থৌদাং লৈ হায়না থমজবদা অরানবা ওইরোই খঞ্জে।

*অদোমগী - ফুরাইলাৎপম রেবতি শর্ম্মা*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৪

১। অরিবা মীতৈলোন ৱাহৈশিংসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু :
(ক) তুবী (খ) তেকপী
২। ‘‘কদাইদনো মরাইবক থীরবী মণিপুর/মেলৈ লৈস্না নুংজুমপান কদাম্বদি লৈনুংশি/কদায়দনো নহাক্কী ঈশৈগী মন্দির।’’ পরেংশিং অসি কবি কনানা হায়রম্বনো?
৩। ‘‘ঈজৎ মাঙলবনি ফুলন দেবী/ঈজৎ মাঙলবনি বিস্বাস/ঈজৎ মাঙলবনি ভারতকী নুপী/ঈজৎ মাঙখ্রবনি নুপী পূম্নমক।’’ পরেংশিং অসিনা অইবী কনানা হায়বনো?
৪। কর্টার সিং দুগ্গলগী ৱারীমচাশিংবু ‘থাবলগী চৈনা’ হায়না মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?
৫। ‘শক্লোনশিংগী শক্তম’ কৌবা নৈন-ৱারেংগী লাইরিক অদুগী অইবা/অইবী অদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# রুপমহলগী টিকেন্দ্রজিৎ অমসুং ওগষ্ট ১৩

## সোইবমচা ইন্দ্রকুমার

**কোয়রেং** কৌবা, মতম অমগী মণিপুরগী নিংথৌগী মথঙ-খনবা (সেনাপতি নৎত্রগা য়ুবরাজসু কৌনবা), বীর টিকেন্দ্রজিৎ হায়রগনা হেন্না খঙনবা, মণিপুরগী পুৱারীদা য়াম্না মরুওইবা মীশক অমা লৈরম্মী হায়বসি ঙসিগী মীরোল অসিনা খঙলম্লবা, মদু মখোয়না তম্লকপা পুৱারীগী লাইরিক্তগী ওইরম্লোই হায়বসি ঐহাক চেৎনা থাজে। ঐখোয়গী মতম ফাওবগী পুৱারীগী লামায়শিংদি বৃটিশ হিষ্টরি অমদি ইন্দিয়ন হিষ্টরিগী ৱারীশিংতনা থনখিবনি। পুৱারীগী পারা ওইনা নত্তবা, মীতৈলোনগী মপী লাইরীকশিংদা অতেনবা ৱারী ওইনদি পারকখিমাল্লে - বীর টিকেন্দ্রজিৎ অমদি লিশ্লোইঙম্বীগী ৱারী। চহী খুদিংগী ওগষ্ট ১৩ লাকপদা, কন-থৌরবা বৃটিশ লান্মীশিংগা, মশীং য়ামখিদ্রবা মীতৈ লান্মীশিংগা মণিপুরগী নীংতম্বা কন্নবা ‘নীংতম-লান’ থেংনখি হায়বগী ৱারী নীংশিংহল্লিবা, অমদি লান অদু তঙায়ফন্দনা শোক্লন্দবা য়াদবগী তানফম অদু লাকহনখিবা ‘য়ুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ’ ননি হায়বগী ৱারী কাউঙমদনা লীখিবদি পুৱারী নৈনবা অমত্তনা নত্তে। হিষ্টরিকেল ফিক্সন-রাইটর অমনসু নৎখিদে। অঙনবা মতমগী মণিপুরী থিয়েটরগী য়োৎশুবী মখোঙ অহুমগী মনুংদা অমা ওইরম্বা ‘রুপমহল থিয়েটর’ ননি। কুমজা ১৯৫১ গী ওগষ্ট ১৩ দা ইহান হান্না শান্নখিবা, রুপমহল থিয়েটরগী দ্রামা ‘বীর টিকেন্দ্রজিৎ’ (মতমদুদদি ‘টিকেন্দ্রজিৎ’ থোল্লম্বা) - ইচম চম্বা হিষ্টরিকেল দ্রামা নত্তে, অনৌবা মণিপুরী পুৱারীগী লামায়দা লাচনখ্রবা থৌদোক অমা ওইরবনি। হিষ্টরিকেল ক্যারেক্টর অমবু অহীংবা ক্যারেক্টর অমা ওইহনবা, রুপমহলগী বীর টিকেন্দ্রজিৎ’কুম্বা দ্রামাটিক পর্ফোমেন্স, ইন্দিয়াদা অতাঙবা অমা ওইরমগনি শোয়দনা। ঙসিদি ওগষ্ট ১৩ (অথৌবশিংগী নুমিৎ) শিংদা নত্তনা অতোপ্পা নুমিৎশিংদা শান্নখিদ্রবা বীর টিকেন্দ্রজিৎ - ১৯৫১ ওগষ্ট ১৩ দা অহানবা শো উৎখিবদুনা, কুমজা ১৯৬৬ জান্যুৱারী তারিখ ১ দা প্লে অসিগী চামশুবা শো উৎখিবা অসিনা তাকই - দ্রামা অসি অখন্নবা/অকক্লবা নুমিৎখক্তদা শান্নরমদে। চহী ১৫ ফাওবগী মনুংদা মতমদুদা, অদুসু মণিপুরগুম্বা লমদম অমনা প্লে অমনা শো চামরক হেন্না উৎপা ঙমখিবা, অদুগী মতুংদসু ঙসি ফাওবা কুম কাংদনা চহী খুদিংগী লেপ্পা লৈতনা উৎলক্লিবা অসিনা ঐখোয়দা ৱারী অনীখক লীরি। মদুদি, মৈত্রম বীর’না ইবা স্কৃপ্ত অসিগী থোইদোকপা মতৌ অমদি লমদম অসিগী মীয়ামগী মমা লৈপাক নুংশিবা (পেত্রিওটিজম) গী ৱারী। ফনা ফবা স্কৃপ্ত অমা ওইরবসু ‘বীর টিকেন্দ্রজিৎ’, মণিপুরগী মীয়ামদা মরৈবাক নুংশিবগী ইহুল অমা চেল্লমদ্রবা, অদুক হাক্লা মায় পাকপা লীলা অমা ওইরম্লোই। কুমজা ১৯৬৬ - প্লে অসিগী চামশুবা শো উৎখ্রবা মতুং, কুমজা ১৯৬৭ তগীদি চহী অমদা অখন্নবা নুমিৎ, (ওগষ্ট ১৩) অসিদা শো অহুম্লক উৎপা নত্তনা অতোপ্পা নুমিৎ অমত্তদা শান্নদনবা রুপমহলগী ওইবা ৱারেপ অমা লৌখি। ৱারেপ অসিগী মতুংদদি ‘বীর টিকেন্দ্রজিৎ’ রুপমহলগী থোইদোক হেন্দোকপা অখন্নবা লীলা ওইরকখ্রে। ওগষ্ট ১৩, - মরৈবাক নীংবশিংগী নৎত্রগা অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ হায়না লৈঙাক্লা মমিং থোন্দুনা পাঙথোক্লগসু - নুমিৎ অসিগী অখন্নবা থৌরমদি রুপমহল থিয়েটরগী ‘বীর টিকেন্দ্রজিৎ’ দ্রামাগী অখন্নবা শো অদুনি - পুম্নমক্লা খন্নখি। নুমিৎ কয়ানিগী মমাঙদগী এদভান্স-বুকিং-কাউন্টর হাংদুনা টিকেট য়োম্থোকখিবদগী, অথাপ্পা লমদম কয়াদগী নুমিৎ অসিদা ‘টিকেন্দ্রজিৎ দ্রামা’ য়েংলুনি হায়দুনা অশিংননা লাক্লগা, হাউজফুল ওইরমদুনা নীংবা কায়না হন্নখিবা কোঙ্গায়নি। নহা ওইনা, ঐখোয়মকসু, সিট ফংহৌদদুনা লেপ্পগা য়েংলকখিবা কয়ারকনি। মণিপুরনা য়ুনিয়ন টেরিটোরি ওইনা লৈরিঙৈ, ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা মণিপুর লৈঙাক্লা ‘প্লান-একজিবিসন’ হায়না মিংথোনবা মেলা অমা পাঙথোক্লম্মী। মফমদুমক্তদা, পব্লিসিটি দিপার্টমেন্ট’না শিনবা ওইরমাল্লে, দ্রামা ফেষ্টিবেল অমা পাঙথোক্লম্মী। ফেষ্টিবেল অদুননি ৱারেংজরিবা ঐহাকপু থিয়েটরগী তাইবঙদা পুশিল্লক্লবা অকনবা ঈনোদ পীখিবা। অদুগুম্বা ফেষ্টিবেল অমদা রুপমহলগী আর্টিষ্টশিংবু, মেক-অপ তৌদুনা ফুল-দ্রেস (কোষ্টুম) শেৎহল্লগা শিংজমৈদগী কাঙজৈবুংফাওবা শগোল-শামু তোংহন্দুনা বজায়-বেঙ্গুন খোংদুনা থিন্দোরকখিবা থৌদোক অমা লৈখি হায়। ইশামক্তি থেংনজহৌদে। নুমিৎ অদুগী অদুগুম্বা এক্টর-পর্ফোর্মরশিং অদুগী থম্মোয়দা ফাওরমগদবা ঈথিল অমদি নুমিৎতুগী পর্ফোমেন্স অদুনা ওইরমগদবা ‘স্পেসিয়েলিটি’! খল্লুবদা মথুম-মরাং হৌরকই। মহারাষ্ট্রদা ওইরম্মু, ফিল্ম ওইনা নমদুনা রেকোর্দ তৌদুনা থম্লম্মি।

অসুম্না, ৱারীশিংসি তারগা ৱাখলসিনা খল্লকই - রুপমহল থিয়েটরগী ‘বীর টিকেন্দ্রজিৎ’ দ্রামা অসি পোল্লমদ্রবা, মতমদুগী লৈঙাক্লা ওগষ্ট ১৩ অসিবু ‘অথৌবশিংগী নুমিৎ’ নৎত্রগা ‘পেত্রিওটস দে’ হায়দুনা নীংশিং থৌরম পাঙথোকপগী থৌরাং অসি লৌখৎলম্লোই। রিপব্লিক দে, সরস্বতি পুজা, ইন্দিপেন্দেন্স দে, নেসনল ক্লিনলিনেস দে, চিলদ্রেন্স দে ... অচৌবা ষ্টেট ফঙ্কসন ওইনা পাঙথোক্লরিঙৈ মতমনি। মণিপুর মর্জর এগ্রিমেন্ট-কাউথোকহন্নবা হোৎনরিঙৈনি। মণিপুর নীংতম্বা লৈপাক অমা ওইরম্মী হায়বা ৱাখল অদু কোকসিদগী তাম্থোকখিনবা হোৎনরিঙৈ মতমনি। ‘মণিপুর’- ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইরে তাবদা থাবল চোঙদুনা হরাউ তয়াম ফোঙদোক্লখিবা মীয়ামনি। অদুগুম্বা তানফমদা, অদুগুম্বা মীয়ামদা মীয়ামগী থম্মোয় খোন্দুনা মরৈবাক নুংশিবগী অকনবা ঈথিল পীখিবা-করম্না তরাইনা লৌরুনি! নীংতম্বা হনজিনহন্নবা য়াওল ঈহৌ অমগী মরু হুনবদা ঈথিল পীরম্বসু য়ারিবনি। লাল্লবরা? পুৱারীগী অচুম্বা খরা, ইমাজিনেসন্দগী থোরকপা ইমোসন খরগা তোৎশিন্নরবা লীলা অসিগী ক্যারেক্টরশিংনা ঙাঙলিবা মীতৈ-সেন্টিমেন্ট’তা য়ৈবা ‘দাইলোগ’ শিং - ওগষ্ট ১৩,২০১৭, লীলা অসিগী ২৩৬ শুবা শো ওইগদৌরিবা, নুমিৎসিগী অহানবা শো’দা য়েংবীয়ু। রুপমহলগী ওইনদি ‘ক্লাসিক’ ওইরবা প্লে অমনি- ‘মৈত্রম বীর’ গী ‘বীর টিকেন্দ্রজিৎ’। অওনবা মতমগী, অওনবা ৱাখলনা শোক্লুদ্রবা, মতমদুদা ওইখিবা দ্রামাদুগী শক্তমদু ঙসি ফাওবা কায়দনা শান্নরক্লিবা প্লে অমনি। মণিপুরী থিয়েটরগী অরী-অনৌ শকলেপ্পদা অহীংবা খুদম ওইনা লৈরগদবা দ্রামা অমনি - রুপমহলগী বীর টিকেন্দ্রজিৎ।

কুমজা ১৯৫১ দগী ১৯৮৩ ফাওবা দ্রামা অসি রুপমহল থিয়েটরগী মরন্নাই ওইবা (পর্সনেল) প্রোপর্টি অমা ওইদুনা লাকখি। অতোপ্পা থিয়েটর লূপশিংনা শান্নবগী অয়াবা পীখিদে। অদুবু, রুপমহলখক্কী পর্ফোর্মেন্স-স্পেস’তা কনফাইন তৌদুনা লৈবা প্লে ওইরবদি মশীং য়ামখৎলক্লিবা মণিপুরগী থিয়েটর-পামজবা-



মীয়ামসিগী নীংবা কায়হল্লে খঙলকপদগী, কুমজা ১৯৮৪ দগী অতোপ্পা থিয়েটর-লূপশিংদসু শান্নবা য়াহনখি। মদুদগী কারকপা ‘রোয়েলটি ফী’ অদুনা অইবা অসিবু মশক থোক্লা নীংশিংনবা ‘মৈত্রম বীর এৱার্দ’ লাম্থোক্লি।

মৈত্রম বীর’না ইবা ‘বীর টিকেন্দ্রজিৎ’ - প্লে অসি নত্তবা, অতোপ্পা অইবা কয়ানসু অতোপ্পা মিৎয়েং অমদগী টিকেন্দ্রজিৎপু য়েংনবা হোৎনরকখিদবা নত্তে। অইবা (বীর) মশানসু হায়জৈ - মহাক্লা প্লে অসি ইনবা হোৎনরকপদা ‘টিকেন্দ্রজিৎ অমদি থাঙ্গাল জেনরেল’ অনীবু ফাঁসি তৌদুনা হাৎখিবা, থম্মোয় শোক্লবা থৌদোক অসিতনা পোলোই ওইহন্নবা হোৎনরগা ইখিবা ওইবনা পুৱারীগী অশেঙবা থৌদোক খরগদি তায়োন্নরম্বা য়াই, লোয়ননা মরুওইবা ক্যারেক্টর অদুগী মতেঙ পাংবা ক্যারেক্টর খরদা ঙাথু থেংথুবা (ইনজষ্টিস) তৌরম্বসু য়াই’। অইবা মশানদি হায়জরি- হিষ্টরিকেল প্লে অমা নত্তে, হিষ্টরিকেল ক্যারেক্টর অমদা য়ূম্ফম ওইবনি। অদুবু, অয়েংবশিংনদি খল্লি-দ্রামা অসিদা য়াওরিবা সিন খুদিংমক পুৱারীগী থৌদোক ঙাক্তনি। মসিবু কৌই দ্রামা অমগী মায় পাকপা। বৃটিশ লৈঙাক লোইখিবদা ঙায়রিঙৈ ওইবনা, বৃটিশশিংগী হিষ্টরিকেল দোক্যুমেন্ট থিজিন্নবা খুদোংচাবা লৈত্রিঙৈ ইরমখিবা প্লেনি-মৈত্রম বীরগী বীর টিকেন্দ্রজিৎ। চহী কয়াগী তুং, অশেঙবা পুৱারীগী থৌদোকশিং থিজিল্লবা মতুংদা ইরকখিবা, অতোপ্পা টিকেন্দ্রজিৎ অমগী ৱারীনা রুপমহল’না শাগৎখিবা টিকেন্দ্রজিৎকী শক্তম অদুবুদি লানহনবা ঙমদ্রি। তুংদসু ঙমনি থাজদে।

লীলাসিনা লীরিবা টিকেন্দ্রজিৎ-থাঙ্গাল হাৎখিবগী ৱারীদুগা, মনুং হুৎনা থিজিল্লবা (অনৌবা) পুৱারীগী ৱারীদুগা চাংদম্নগে খল্লুদে, ঐনা য়েংখিবা লীলাদুগী নৈন-ৱারোলসু ইনীংলুদে। মীপূম তিংনা খঙনরবা ৱারীনি-নিংথৌ মচীন মনাওনা ফম্বালদুতগী খন্দুনা লৈঙাক তুংওইনখিবা, লিংজেল মান্নখিদবদুগী খুদোংচাবা লৌরগা বৃটিশ’না মণিপুর লৌশিনখিবনি। এংগ্লো-মণিপুর ৱারী থোকখিবনি। লান’দুদা মায়থীরদুনা মীখা পোল্ল’তুংদনি থাঙ্গাল-টিকেন্দ্রজিৎ হাৎখিবা। অদুবু, পুৱারী নৈনবা খরনা হায়খিবসু লৈ-‘এংগ্লো-মণিপুর-লান শোক্লখিদে...বৃটিশশিংগী মায়োক্তা মীতৈশিংগী ঈহৌ অমদি লৈ, মীতৈ ঈহৌ হৌবশিং য়ান্নাও শঙ্গু কায়বগুম্না চেন্নখি’...।

পুৱারীগী লামায়দা পুৱারী নৈনবনা ইনীংবা ইরসু, মীতৈশিংগী থম্মোয়দা চুখ্রবা থৌদোকসিগী পুৱারীদি রুপমহলগী ফম্বাক্তা চহী খুদিংগী ওগষ্ট ১৩ দা উগদৌরিবা আর্টিষ্টশিংনা শাগৎপা থৌদোকশিং অদুনি। ওইখিগনি তুংদসু।

# পোলিটিক্স তৌবদনা মরমদম নুংশিবা নত্তে

## সোরোক নোরেন

**হৌখ্রবা** নোংমৈ তোপকী মতমদগী থাঙগী জগোয়না মরৈবাক নুংশিবগী খুদম উৎখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা অহানবমক্তদা ইকোক নোঞ্জরি। অথৌবশিং অদুনা উৎপীরম্বা থৌনা লিংজেল ঙসিসু মাঙদ্রি। পেবম চিত্তরঞ্জন, রোবিনহুদ, কেক্রু পাৎতা ইংনা য়াতারিবা অথৌবা অথৌবীশিং লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংদুগী শেংলবা মপারি মমোম ঙাক্তনি।

অদুবু কুমজা কয়া হৌখ্রবসু অথৌবা কয়াদুনা পাল্লম্বা ৱাখল হিংহৌরিবা ঐখোয়না খোংকাপ অমা লানশিনবা ঙমদ্রি। ঐগী ঈশাগী লমগী পনখৈ নাখৈ শেংবা ঙমদ্রি। ইন্নর লাইন পার্মিট চৎনহনবা ঙমদ্রি। মীতোপশিংনা নোংমা নোংমগী খুদুম চনশিল্লক্লি। আর্ম ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার এক্ট লৌথোকপা ঙমদ্রি। ইরৈবাক ইনীং তম্লে হায়বা ঙমদ্রি। ঙম্লবদি করিগী চীংনুং মানুংদা খূৎতা খূৎলায় পায়দুনা নীংতম্নবগী খোল্লাউ লাউখিদ্রা। য়াদ্রি ঐগী ইরমদম নীংতম্লে হায়বা য়াদ্রি। দিল্লিদগী চহীগী অপিবা চাকথুং খরনা কোন্ননবা শিল্লি। হিংবা ঙমদ্রি ঈশা ইরোমদোম লেপচবা। মীপান তাংলি। শেন্দোন পুবা লৈবাক ওইরি। লাউনরি ঐখোয় মশেল নঙনা হেন্না লৌখ্রে, ঐগী শরুক থুংহৌদ্রে। মসিদবু কনাগী নীংতম্বনো। হোৎনবা তারি মাঙদা চঙশিন দুনা, খূৎলায় পায়বা নৎত্রগা পায়দবা লাম্থেংনদবদি য়াদে লায়রবা কোক্লনবা ঐখোয় পুম্নমক। ঈশিং ঈচাওনা মায়কৈ শিনবা থুংনা অৱাবা তারুরবা কয়াগী অৱা চৈথেং কোক্ত্রি। হার ফংদবগী চৈথেংনা লৌমীগী কোকথক্তা খূৎ অমুকসু হাপ্লি। তাল্লকসিদা নঙনা তৌগদবনি, মানা তৌগদবনি ইন্নবা মতমলা। হার পুশিল্লক্লিবা ইম্ফাল দিমাপুর, ইম্ফাল জিরি লম্বীবু লম্বী ওইরিবরা। ঙারাংতনি ইখোংসিনা চৎলগা লাক্লিবা ইম্ফাল দিমাপুর লম্বী। পংহায় হায়জিনগনু শেমদি শেমদনা, শেল্লগবু অমুক খুদোংথিগদ্রা। মীওইবা অমগী অহিংবা পুন্সিসিবু শেল খরনা মন্ত্রিকরগা লোইশিনবা তারবরা। অসুক শাংলবা চহী কয়া অসি শুপ্পগী অনীখক্তা ঙাইরিবা লম্বীসিবু শেম্বা ঙম্লরোইদ্রা। কদাইদনো নীংতম্লে হায়দৌরিবসিবো।

নীং তম্লগবু করিগী কৌগদৌরিবা বন্দনো। বন্দ কৌবা নোংঙানবগসু কৌবিরিবা ইচিন ইনাওশিংগী অপাম্বদুসু থুংবিরম্লগনি খল্লি। অমরোমদা, বন্দ কৌবা কাঙবুগী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌনবা লৈঙাক্কী অকনবা ফিরেপ্পুনা কদোমদা চৎখ্রবা। নহান তাং ৬/৮/২০১৭ কী অহিং নোংয়াইদগী মণিপুর পূম্বদা পুং ২৪ গী কৌখিবা বন্দগী কাঙবুশিংদা করি তৌবিখ্রে। লৈবাক নীংবা শাবশিংনা লৈবাক্কীদমক কদাই ফাওবনো তৌবিগদৌরিবসিবো। হঞ্জিন হঞ্জিন নৈনদুনা লাক্লবা হীরম পুম্নমক অমতা অরোইবা তানদ্রি। অদুনদি ঐখোয়না মাংদা ঊগদৌরিবসি করিনো। করম্বা অনৌবা ভিজন্নো চহী কয়াগী মতুংদা উহনগনি হায়না থৈদোক্লগা থমগদৌরিবা মমাঙগী ইবোবী লৈঙাক্লা অহানবা লৈঙাক পুরকপা হৌবদা চহী অহুমগী মরিগী মনুংদা থক্লবা ঈশিং মপূং ফানা পীগনি হায়রম্বা চহী ১৫ লোইদুনা চৎখ্রবসু থক্লবা টোটি ঈশিং মশক উদনা লাইরমলেন্দা কয়া অমা তানখ্রে। অশানবা ভিজন্না করি তৌদৌরি। হোয় ভিজন য়াওদনা থবক অমা পায়খৎপা য়ারমদবদি য়াই অদুবু অতেনবা দোক্যুমেন্টরি ফিল্মগুম্না পাঙথোকপা য়াবা ময়াম অমসু পাঙথোক্ত্রিবসিদি মরম করিগীনো হংনীলকই। হৌখিবা এপ্রিল ৬, ২০১৭, লেট্টর নম্বর দি টি/৬/৪১৩/টি আর পি সী/২০১৬ মতমদুগী দিরেক্টর ট্রান্সপোর্ট এচ রোসিতানা খূৎয়েক পীদুনা থোকপা হুকুম অমগী মথৌ ঙসি ফাওবা পাঙথোকপা উদ্রি। হুকুম অদুনা পল্লিবসি চাকা অনী পানবদগীনা অহুম পানবা ফাওবা, খুয়াথোংদগী মহারানি থোং ফাওবদা লৈরিবা মথক কুপ্পবা নাগা নালা মথক্তা থম্নবগী য়াথংনি। অদুবু পাওনা, থাঙ্গাল বজারগী গাড়ী পার্কিং মচি লেংদ্রি। থা মরি মপূং চপ চানা ফারে। হুকুম অসি ফাওবা ওন্থোকপা ঙমদ্রগা চহী ৪/৫ গী ভিজনবু কনানা নীংশিংলুগবনো। নোংমা খরা কাউ, হয়েং খরা কাউ অদুম লূপখ্রদবনি। ঐখোয় মশেলতা লাউনরগা করি ওইরক্কদৌরি। অচুম্বা অমতসু পুথোকপা ঙমদনা লোইশিন্দুনা লাক্লবনি।

মুৎখ্রে আইরন লেদি মণিপুরগী লৈময়োন্দগী। আইরন লেদি কৌবা য়াখিদ্রা। মপোকসিমগী মাগী হৌফম অসিদা হল্লক্কনি থাজবা ৱাংমদা লৈখ্রে। চৎখ্রিবা লম্বীদুনা অশেংবা পন্থু ওইখিবা তারবদি। পাঙ্গল শোল্লবী ইমা ইবেল কয়ানা তৌরাং থক্তা ওন্দুনা মীকুপ খুদিং ফমশেন্নখিবদো ঙসিদি মহয় য়ানবা ঙমখিদ্রবা মঙলান তাখ্রে। চহী কয়ানো মীয়ামগীদমক কৎথোক্তুনা লাক্লবনি হায়দুনা লমদমসিগী অশেংবা মমোমনি খন্দুনা শেন্নখিবা। ঙসিদি মীরানচাগী ঈনা য়ানশিল্লবা মীশক ওইখ্রে। হল্লকপা তারবসু ঐগী অশেংবা ঈ ওইনদি হল্লক্লরোই। মসিরা মরৈবাক নুংশিবগী খুদম হায়বদো। নাকল অমরোমদা আই এল পিগী খোংফম চেৎশিনবা য়াদবনি হায়রম্বনি। অদুবু ঙসিদি আই এল পিগী খুদাং পায়দুনা ইন্নখ্রে। করিনো মসিদা ঐখোয়না তৌগদৌরিবা। থাদা নত্তে, পুম্নমকসুনি লৈবাক্কীনি, ইরমদম খুন্নাইগীনি হায়দুনা মখৌ পোংনা লাওরমগনি। অদুবু পোলোইদদি ঐ ঈশা কনানো খঙলক্তবগুম ঐনা মরু ওইরকই। করিগী চোংথোক চোংশিন তৌরি। পার্টিগী নামাদা লৈবাক নীংবা কয়াগী ওইদ লীচৎতা মীচম পুম্নমক মাংবা তারি। কা মনুংদা থোঙ লোনশিল্লগা মনুংদা মোরোক মৈ থাদুনা হাৎখিবা মিহাৎকুম। কনবিনবা লৈরোই মীচম ঐখোয়বু কনানসু মখোয় মশেল মক্তা থাজনদ্রগা ঐখোয়বুদি করম্না নীংশিংগনি ঈশিং ঈচাওদা মাঙ তাকখিবা পূম্বা খুদক্কী ওইবা চেঙ কৌতা খরা, হৱাই কেজি মখায় অমনা শক্লরগা চহী ৪/৫ চঙনা শেন্থং মরক্তা হিংবসিনদি হীংবদা ৱাদে হায়বা য়াদৌরিব্রা। অদুবু ভোট ময়াদদি হেক্তমক তেশিন্নৈদো, মসিনি ঐগী ইরমদমদা পোলিটিক্সনা হুল্লিবা নুংশিৎ।

অদুবু মরৈবাকপু নুংশিজবা মরৈবাক্কীদমক্তা থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা ইরমদমসিগীদমক্তনি হায়দুনা হোৎনরিবা কয়া অমসু লৈরি। পোলিটিক্স তৌবদা নত্তে মরৈবাকপু নুংশিরিবা লম খুদিংমক্তা মানা মানা ঙম্বা হোৎনদুনা ইমা মণিপুরবু মালেমদা মশক তাক্লবা হোৎনরিবনি। মেরি কোম, সরিতা কনাগীনো মশাগী ওইনা শান্নবা য়াদে। লৈবাক অমগী ওইনা মহুৎ শিন্দুনা শান্নরিবা। মানা পোকচরিবা মরমদমদুগী মীংচৎ পুরক্লবা হোৎনরুবনি। অসুম্না অইবা কয়ানসু মানা হৈজবা খূৎইদা মীপুম পূম্নমক্কী থম্মোয় পেলহল্লবকান্দা ফংলকপা মনা অদুনা মাবু পোকপীরকপা লমদমদুগী মশক তাক্লি। মালেমদা মণিপুরী জগোয়, পুং চোলোম ইরমদমসিবু চাওনা মশক তাক্লি। আর্টিষ্ট মশানা হোৎনজরবসু মমা লৈবাক্কীদমক মীংচৎ পুরক্লবা হোৎনরি। অদুনা ঐখোয় পূম্নমক্লা ঐগী পোকফম ইরমদমবু নুংশিরিবনি। মাগীদমকনি ঐখোয়না হিংলিবা। করিগুম্বা মাগী ঙমখৈগীদমক য়েক্লবনা শিংনরক্লবা মতমদুদনি ঐখোয় পূন্না থেংনদুনা লাক্লিবা। থেংনখিনি ঙসিসু ঐখোয় পুম্নমক্লা অমতা ওইনা নুমিৎ থানা হেক লৈরিবমখৈ জুন ১৮, ২০০১ না পুৱারীগী শাক্ষি ওইনা লৈরিবা নুমিৎসে কনানসু কাউঙমদ্রি। মীচম ঐখোয়গী লীংজেলননি অদুবু পোলিটিক্স তৌবা কাঙবুশিংদি মরমদম নুংশিবা উৎপা ঙমখিদে। হৌজিকসুনি ঐগী ঙমখৈদা শিংনরকপা খুদিংমক লৈঙাক্কী লৈঙাক্লোয়শিংবু ঙাইবগী মথৌ তাদবগুম হৌনরুবা তৌদনা পুম্নমক থেংননবা শেম শাদুনা লৈরি। অয়ূক্কী নুমিদাংগী ফাওবা কোন্নবা ঙমদ্রিবা লায়রবগী থম্মোয় খুদিংদদি ইমা লৈবাকপু নুংশিবগী ঈনা মফম শিনবা থুংনা চেল্লি। কৎথোক্লি ঙসি ফাওবা ইমা লৈবাক্কীদমক। তুংদা লাক্কদৌরিবা খুদোংথিবা কয়াগীদমকসু লেপ্লিবনি। অদুবু ঐখোয় মশেল চুংশিন্নবগী মহুৎতা তোখায় তাবা ঐগী হায়বা ৱাখল্লোন্না মাং থাদুনা অৱাই অখুম তৌনরিবা লৈঙাকলোইশিংগী শক্তিদগী মীচম মীয়ামগী কৎথোকপগী শক্তিনা হেল্লি। হন্দক্তা লোইখিবা এসেমব্লি মীফমগী মীৎনা উবা পাউদম চাওখৎ থৌরাংগী পোরম য়াৎপা ওইনা উদবগুম তৌই। লৈবাকসিগীদি ফম্লিবা মীফমসিনা খ্বাইদগী ৱাংবা খ্বাইদগী মমল লৈবা ওইরিবনিনা অসুক্কী মতিক ইকায়খুম্নমা লৌরিবনি। ওইররোইদবা লিশাং শিংনা নমশিন্দুনা থম্লুরবা থবক থৌরম কয়া মীফম অসিনা পাঙথোক্লবা ৱারেপ লৌরেগা হায়বা তারগা অচৌবা আশাগী মঙলান তৌদুনা হরাউজরিবা মীওইশিংনি। অদুবু করিসু নত্তবা ইচম চম্বা ৱাফম খরগীদমকসু অকনবা মেম্বরশিংগী মায়কৈদগী নীঙাই শংদানরকপদুদি তৌহন্নীংদবা য়াওই। লৈবাকসিগীদি ফরবসু ফৎত্রবসু ওনরেবল ৬০ অসিনা মপি মপা শক্তুনা লৈরিবনিনা ইংনা চিক্লা খন্থরগা চাওখৎ লম্বীদা খুমাঙ চাউশিলহন্নীংই।

করম্বা মতমদা নেসনল হায়ৱে শিলং লম্বীনা ফোর লেন্দ ওন্থোকপা ঙম্লগা করিগী ঐগী নেসনল হায়ৱে অনীসিনা লেন্দ স্লাইদতগী লৈখোম ঙাকথোকপা ঙম্লবা হোৎনদ্রিবনো। হায়ৱে হায়ৱে কয়াম কুইনা হায়ৱে ওইখিদৌরি। গাড়ী চৎননবা লম্বী ওন্থোকপা ঙম্লরোইদৌরিব্রা। লৈকংদা শেম্ববু করিগীনো। চাওরবা শিংতোকপা য়াদবা ঈশিংদুগী মথক্তা শাংলবা থোং আসাম গভর্ণমেন্টনা শাবা ঙম্লগা কংফালদা লম্বী শেম্বসিবু অরুবা থবক্লা। শেমসি কৈদৌবগে। শেমসিদা। মপান লৈবাক চৎতবা য়ারোই। লায়রবা মীচম মীয়ামদি মখাগী লম্বীনা পাম্বৈ ওইরিবনি। তুং কোয়না চৎনবা য়াবা পাম্বৈ পুথোক্তুনা মপূং ফাবা নোংজু নুংশা কিদবা লম্বী অমমমতংদি ওইহল্লমসি। মীয়ামগী নুঙাইনবা চাওখৎ থৌরাংদা খুমাং য়াংশিন্না শেম শাদুনা হোৎনগে খল্লিবা মীওইদুনি মরৈবাকপু নুংশিবা কৌদৌরিবসে। লৈবাক মীয়ামগী পেন্নবা করিসু তৌবা ওইথোক্লোই। অদুবু অঙম্বা খরদি তৌরম্নবা হোৎনবা হায়বসে পুম্নমক্কী থম্মোয়দা চেন্নবা হোৎনমিন্নসি। মদুতদা পাঙ্গল লৈনা মীনা লাকচবা য়াদনা অফবা খুন্নাই অমা ওইবা ঙমগদৌরিবনি। ঐখোয় পুম্নমক্কী দায়ত্বনি খনবা মতম ওইরে। অমনা অমদা হুন্নদুনা ঙাওবা চৈনবগী মতমদু হৌখ্রসনু। হৌজিক্তি ঐখোয় অমতনি। অমতা ওইনা পুনশিন্দুনা অপূনবা পাঙ্গল শাগৎমিন্নরসি। লৈঙাকপশিংসু, অচৌবা থৌমী পুম্নমকসু ঐগী ঐগী থৌদাং মশক খঙনা হোৎনরবতদা অপূনবা পাঙ্গল শাগৎপা ঙমগনি থাজে। পুম্নমক্কী মতেং অমনা অমদা দরকার লোইনা লৈনবদু তীংথোকমিন্নদুনা হোৎনবাহায়বসে তঙাইফদ্রে। ঐগী লৈঙাক ঐ ইশানা শেমজবনি। ঐখোয়না অচুম চুমদা নৈনরগা অচুম্বা লম্বী অমদা থম্লনবা হোৎনবদা তুংগী মীরোলনা পেঞ্জহৌসনু।

নুংশিরবা ঙসি ঐখোয়না হীংজরিবা লৈমায় অসিগীদমক চঙনা শর্গ কাখিবা অথৌবা মখোয় কয়াদুগী মথৌনা মরিংজেল নোংফাওবা হঙ্গৎনা য়েংলুবা ঙমদ্রি। থাঙ্গাল জেনরেল, বির টিকেন্দ্রজিৎ, পাওনা ব্রজবাসি, লৈবাক অসিগীদমক্কি ফাঁসিগী শগাইদা নোক্লা নোক্লা লৈমন চনখিবা। পেবম চিত্তরঞ্জন, রোবিনহুদ ঙসিগী মীরোল অসিগী অশেংবা মপারিনি। কেক্রু পাৎতা ইংনা য়াতারিবা অথৌবা অথৌবী কয়া অসিসু মমা লৈবাক্কীদমক পুন্সি কৎখিবনি। অদুবু চীন্দদি লাউরিবা পোলিটিসিয়ন কয়াগী থম্মোয়নুংদা চেল্লিবা ঈশিংদুদি মরৈবাকপু নুংশিবগী অচেৎপা খুদম উৎপা ঙমদ্রিবরা। অমবু ওইরে অমবু ওইরে পুম্নমক কাউথোক্লগা মাংদা তারিবা চাওর চাওরবা লানবা ঙম্লোইদৌরিবা পলশিং অসি কমদৌনা লানসিগে খন্নমিন্নবা মথৌ তারে। অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎনা লাকপদা কৎকদৌরিবা লৈশিং অসিদা পাউজেল অমত্তংদি পীমিন্নসি। শোথরবা ইমা লৈবাকসিগীদমক পুন্না অমুক্তংদি লেপমিন্নবা। মসিনা হন্দক কুমওনগী লৈখিদ্রবা অথৌবা অথৌবীশিংগী মফমদা কৎপা শর্দাঞ্জলি ওইসি।